# আর্মি চীফ, জেনরেল বিপিন রৱাতনা প্রসিদেন্ট কোবিন্দদগী পরম বিশিষ্ট সেবা মেদল ফংলে



**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৪ঃ** প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা শীংথানিঙাই ওইবা থবকশিংগীদমক চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, বিপিন রৱাততা পরম বিশিষ্ট সেবা মেদল পীখ্রে। মেদল অদু রাস্ত্রপতি ভবনদা পাংথোকপা দিফেন্স ইনভেষ্টিচর সেরিমোনি অমদা জেনরেল রৱাততা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা আর্মিগী সিপোয় ব্রহ্মা পাল সিংহ অমসুং সি আর পি এফ জৱানশিং– রাজেন্দ্র নাইন অমসুং রবিন্দ্রা বব্বান ধনৱাদেবুসু মশা লৈখিদ্রবা তুংদা পীবা ইন্দিয়গী অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা পিছটাইম গেলেন্ট্রি এৱার্দ ওইরিবা কির্তি চক্র পীদুনা ঈকাইখুন্নখি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কুপৱারা সেক্টরদা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা মায়–মায় ওনশিন্নদুনা লাম্ছেঙনবদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখিবগীদমক ২০ জাত রেজিমেন্টকী মেজর তুশার গাওবাবু কির্তি চক্র পীখি।

মসিদ নত্তনা, আর্মি অমসুং সি আর পি এফকী ওফিসারশিং অমসুং জৱানশিং পূন্না ১২দসু লান মতম নৎতবা, শান্তিগী মতমদা পীবা অহুমশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা থৌনা ফবগী এৱার্দ ওইরিবা শৌর্য্য চক্র পীখি।

লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা মথৌনা ফবগীদমক এৱার্দশিং পীবগী রাস্ত্রপতি ভবনদা পাংথোক্লিবা দিফেন্স ইনভেষ্টিচর সেরিমোনি অদুদা ভাইস–প্রসিদেন্ট এন ভেনকয়া নাইদু, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমনসু শরুক য়াখি।

# ইন্দিয়ান ওসিনদা চিনানা খোঙদাবা হেল্লকপা অসি ইন্দিয়াগীদমক শীংনবা অমনি ঃ নেভি চীফ সুনিল



**লন্দন, মার্চ ১৪ঃ** ইন্দিয়ান ওসিনগী অৱাং থঙবা শরুক্তা ইন্দিয়ানা খোঙদাবা হেনগৎলক্লিবা অসি ইন্দিয়াগীদমক শীংনবা অমনি অদুবু লমদম অদুদা চিনাগী জহাজশিং অমসুং সবমেরিনশিং চংলকপদা ন্যু দিল্লিনা কুপ্না য়েঙশিন্দুনা লৈরি হায়না নেভি চীফ, এদমিরেল সুনিল লনবানা হায়খ্রে।

চিনানা সিপবিল্ডিংদা শেঞ্জাও থাদরিবা অসুন্না লৈবাক অমত্তনা তৌদে হায়নসু বৃটেনদা নুমিৎ ৪নিগী খোঙচৎতা লৈরিবা এদমিরেল লনবানা হায়খি।

চিননা শ্রী লঙ্কাদা চহী ৯৯গী লিজ অমদা হম্বানতোতা হিথাংফম লৌশিনবতা নৎতনা জিবৌতিদা লোজিষ্টিক বেজ অমা হান্ননা লৌশিনখ্রবা ইন্দিয়ান ওসিনদা চাইনিজ নেভিগী হেন্না খোঙদাশলক্লিবা অসিনা ইন্দিয়াদা নুংনাংবা পোকহনখ্রে।

ইষ্ট চিনা সিদা জপান লম মুন্নরিবা চিনানা সাউথ চিনা সিগী চাদা ৯০ সু মখোয়গী লমনি হায়রি। হায়রিবা সাউথ চিনা সি অসিদদি ভিয়েটনাম, ফিলিপিন্স, মলেসিয়া, ব্রুনৈ অমসুং তাইৱাননসু মখো–মখোয়গী লমনি হায়না তাল্লিবনি।

এদমিরেল লনবানা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লন্দনদা ইনষ্টিট্যুট ওফ ষ্টেটেজিক ইষ্টাদিজদা ৱারী শান্নবগী থৌরম অমদা ৱা ঙাংখিবদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়ান ওসিনদা চিনানা খোঙদাবা হেলক্লিবা অদুগী মতাংদা ফোঙদোকপদা অপীবা মতম অমা হেক্তদা ইন্দিয়ান ওসিনগী অৱাং থঙবা শরুক্তা চিনাগী নেভিগী জহাজ ৬ তগী ৮ ফাওবা অমসুং সবমেরিনশিং লৈ হায়খি।

ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ কিঙদমগা নেভিগী তেঙবাংনবা হেনগৎকনি হায়বগী অশা তৌই। হৌখিবা চহী কয়া অসিদা নাকল অনীগী তোঙান তোঙানবা লৈনবা মরী হেন্না হেন্না কনখৎলকখ্রে অমসুং মদুনা তুংকোইবা অমসুং নাকল অনীমক্কী কান্নবা মরুপ–মপাং ওইবগী ফিভম পুরকখ্রে।

মেরিটাইমগী শীংনবশিংদা ঐখোয়গী অমত্তা ওইবা মীৎয়েঙ অমা লৈ অমসুং শীংনবশিং অদুবু ময়োক্লনবা তেঙবাংনবগী ফ্রেমৱার্ক অমা পুথোক্লবা য়ানৈ হায়না এদমিরেলনা মখা তাখি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মেরিটাইমগী লীপূননা দিফেন্সকী হেন্না হকচীন্নবা তেঙবাংন্নবা অমা শাগৎখ্রে। লৈবাক অনীনা কোনকানদা পাংথোকখিবা নেভেল এক্সরসাইজ অদু ঐখোয়গী মেরিটাইমগী তেঙবাংনবগী খুদম অমনি। অৱাং থংবা আটলান্টিকতা ঐখোয়না ওপরেট তৌবা মতমদা য়ুনাইটেদ কিংদমনা ঐখোয়না খ্বাইদগী অফবা পোর্ট ওফ কোলনি হায়না মহাক্না হায়খি।

কোনকান ১৯ এক্সরসাইজদা শরুক য়ানবা কোন্না চহী অসিদা ইন্দিয়াগী জহাজ অমা য়ু কে তন্না চৎকনি হায়খি।

ইন্দিয়ান নেভিগা পূন্না রেয়েল নেভিনা লৌখিবা লিদরসিপকী থৌদাং অদুবু ফাষ্ট সি লোর্দ অমসুং চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফ এদমিরেল সার ফিল্লিপ জোন্স থাগৎখি।

ইন্দিয়াগী এদমিরেল লনবানা য়ু কেগী চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফকসু ৱারী শান্নগনি ইন্দিয়া–য়ু কে কেরিয়র কেপাবিলিটি পার্টনরসিপকী শরুক ওইনা ঐস এম এস ক্বুইন এলিজাবেথ কেরিয়রদা কাখৎতুনা য়েঙলুনবগীদমক পোর্টসমাউথ তা লৈরিবা নেভেল বেজদসু চৎকনি।

# করটারপুরগী মতাংদা অহানবা উন্নবদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান অফবা মায়কৈদা খন্ন–নৈনখ্রে



**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৪ঃ** করতারপুর কোরিদর শেন্বগী মতাংদা পাংথোকপা অহানবা মীফমদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানদগী ওফিসিয়েলশিং পাকিস্তানগী করতারপুর টাউনদা লৈরিবা গুরদ্বরা দরবার সাহীবকা ইন্দিয়াগী পঞ্জাবকী গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টকা শন্নবা লম্বী অমা শেন্নবগী মতাংদা ঙসি খন্ন–নৈনখ্রে।

অত্তারিদা পাংথোকখিবা মীফম অদুগী মতূংদা থোকপা অপূনবা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না থবক ওইনা পাংথোক্লবা পুথোক্লিবা এগ্রীমেন্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা নাকল অনীমক নুংশি চান্নবা মওং অমদা মপূং ফানা অমসুং অফবা ৱাখলগা লোয়ননা খন্ন –নৈনখি হায়রি।

মীফম অদুদা ইন্দিয়ান দেলিগেসন অদু হোম এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি এস সি এল দাসনা লূচীংখি। পাকিস্তানগী নাকনদা ফোরেন এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী দি জি (এস এ এন্দ এস এ এ আর সি) ডা. মোহমদ ফাইজালনা লূচীংখি।

মীফম অসি ফেব্রুৱারি ১৪দা ইন্দিয়াগী পুলৱামাদা সি আর পি এফ লান্মী ৪০ হেন্না হাৎখিবা এটেক অদুগী মতূংদা লৈবাক অনী ৱাংনা উংখৎনরিঙৈ মরক্তা পাংথোক্লিবনি।

করতারপুর কোরিদর অদুনা পাকিস্তানগী করতারপুরদা লৈরিবা হোলি শ্রাইন গুরদ্বারা দরবার সাহীবতা ইন্দিয়ানশিং লাইখুরুম্বা চৎপা ঙমহল্লগনি।

গুরু নানক দেবগী ৫৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম নুমিৎতা করতারপুর কোরিদর শিজিন্নবা য়াহন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা হীরমশিং অমসুং কাঙলোনশিংদা য়ান্নরগা ৱারি শানবদু লোয়শিনখি হায়না অপূনবা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

মথংগী মীফম এপ্রিল ২দা পাংথোক্লবা লেপ্লে অদুবু মদুগী মমাঙদা লম্বীদুগী এলাইনমেন্ট অরোইব লেপথোক্লবা মার্চ ১৯দা টেক্নিকেল এক্সপার্টশিংগী মীফম অমা পাংথোক্কনি হায়রি।

# ঈজৎ লৈবা মীওইশিংগী মফম লৈতে হায়রদুনা কোংগ্রেসকী তোম বেদাক্কান বি জে পিদা য়াওরকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৪ঃ** লৈবাক্কী ওইবা মীখল পাংথোক্কদবা থা অমা ফাজিলক্রবা মতমদা সোনিয়া গান্ধীবু পার্টি চীফ ওইরিঙৈদা মেদিয়া টিম অমা শেমগৎপদা ঙমহনখিবা কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই তোম বেদাক্কান ঙসি পার্টিদগী তোক্কুনা বি জে পিদা য়াওরকখ্রে।

পাকিস্টানগী বলাকোটতা জে ই এম টেরর কেম্পশিংদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা নোংথক্তগী এটেকশিং চখ্থখিবা অদুগী মতুংদা লৈবাক্কী আর্ম ফোর্সশিংগী ইন্টিগ্রিটিদা মহাক্কী পার্টি কোংগ্রেসনা ৱাহং হংখিবা অদুনা মহাক হকচীন্না নীংবা কায়হনখি হায়না মিষ্টর তোম বেদাক্কাননা হায়খি।

লৈবাক্কী ময়োক্তা ওইবা অসিগুম্বা ফিরেপ অমা পোলিটিকেল পার্টি অমনা লৌরকপা তারবদি ঐহাক্কী খন্নিঙাই অতোপ্পা অমা লৈত্রে। পার্টি অসি থাদোকপা তাবনি। ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী দিভলপমেন্টকী ৱারীদা থাজে হায়খি।

অসিগুম্বা খোঙথাং লৌরকপা য়াই হায়না মাঙজৌননা খঙলবসু মিষ্টর বেদাক্কানগী খোঙথাং অসিনা পার্টিদা ৱাখলগী অশোকপা অমা ওইহল্লবা য়াই হায়বা পার্টি লিখুনশিংনা য়াখি। চহী ২০ লোম কোংগ্রেস পার্টিদা লৈরক্লবা মিষ্টর বেদাক্কান ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা অমুক্তা খোঙদাখিদ্রি। চহী কয়া অসি পার্টিগী মেদিয়া ষ্ট্রেটেজীগী থবক পুরকখি। অদুবু বি জে পিগী অকনবা সোসিয়েল মেদিয়া ষ্ট্রেটেজীগী শীংনবা ময়োক্লনবা কোংগ্রেসনা থবক হৌগৎলবা তুংদা মহাকপু ইনথোকপগুম তৌরকখি। মহাক্না সেক্রেটরী ওইরিবা মেদিয়া সেল অদু প্রিয়াঙ্কা চতুরবেদি অমসুং মেদিয়া সেলগী চীফ রন্দীপ সুরজেৱালানা শুপ্নম তৌখি।

ঙসি পাংথোকখিবা প্রেস কনফরেস অমদা বি জে পিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবী শঙ্কর প্রশাদকী নাকন্দা ফম্লদুনা মিষ্টর বেদাক্কাননা মহাক্কী মরুওইবা চহীশিং কোংগ্রেসতা পীথোকখ্রে হায়খি। পার্টি অদুবু শাগৈ–জাৎকী পোলিটিক্স তৌবগী অমসুং শিজিন্নরগা লংথোকপগী কলচরগী মরান শীরদুনা মহাক্না হায়খি, মসি য়াবা ঙমলোই, পার্টি অসিদা ঈজৎ লৈবা মীওইগী মফম লৈতে।

ঙসি বি জে পিদা য়াওরকখিবদা মিষ্টর বেদাক্কাননা অনীশুবা মরুওইবা ওপোজিসন লিদরনি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতূংদা বেঙ্গলগী ভাদপরা এসেমব্লি সিটকী ট্রিনামুল কোংগ্রেস এম এল এ অর্জুন সিংহসু ন্যু দিল্লিদা বি জে পিদা য়াওরকখ্রে।

# বেবি পাউদর কেন্সর কেসতা কালিফোর্নিয়া জ্যুরিনা জোন্সন এন্দ জোন্সননা দোল্লর মিল্লিয়ন ২৯ পীনবা রাই তাখ্রে




**ওক্লেন্দ, মার্চ ১৪ঃ** জোন্সন এন্দ জোন্সনগী বেবি পাউদরনা মহাক্কী টর্মিনেল কেন্সর থোকহনবনি হায়বী নুপী অমদা বেবি পাউদর শাবা কম্পেনি অসিনা শোয়দনমক দোল্লর মিল্লিয়ন ২৯ পীগদবনি হায়না ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কালিফোর্নিয়া জ্যুরি অমনা রাই তাখ্রে।

টেরেসা লিভিট্টকী মেসোথেলিওমাগীদমক মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা হেল্থকিয়ার কম্পেনি অদুনা মরুওইনা মরান লৈ হায়বসি ওক্লেন্দগী সুপরিয়র কোর্ট জ্যুরি অমনা ফংখি। নুপী অদুগী অনাবা অদু থোকহনবগী মরুওইবা মরমদি বেবি পাউদর অদুনি হায়না কোর্টকী ৱায়েল অদুনা হায়খি।

জোন্সন এন্দ জোন্সনগী তোল্ক–বেজ পোখোকশিংদা য়াওরিবা এসবেসটোসনা কেন্সরশিং থোকহল্লি অমসুং চহী দিকেদ কয়া হকচাংদা খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা অদু কম্পেনি অদুনা লোৎশিন্দুনা থল্লকখি হায়বা কেস কয়ামরুমগী মনূংদা নুপী অসিগী কেসসু অমনি।

ন্যু জেরসিদা লৈবা কম্পেনি অদুদগী মত পীনবা থিবদা মখোয়না খুদক্তা পাউখুম পীরকখিদে। জোন্সন এন্দ জোন্সননা লৈবাকসিগী অকোয়বদা অসিগুম্বা মান্নবা কেস ১৩,০০০ রোম ময়োক্লরি।

নাকন অমরোমদা কম্পেনি অসিনা হায়রিবা মহাক্কী পোখোকশিং অদু হকচাং শোক্লিঙাং ওইদে হায়না অকনবা ফিরেপ লৌরি অদুবু কোর্ট কেস কয়া মায়থিখ্রবনি।

হৌখিবা চহীদা লোস এঞ্জেলিস জুরি অমনা নুপী অমদা অসিগুম্বা মান্নবা কেস অমদা দোল্লর মিল্লিয়ন ২৫.৭ পীনবা ৱায়েল তাখি।

হৌখিবা চয়োলদা মিশৌরিদা জ্যুরি অমনসু নুপী ২২দা জোন্সন এন্দ জোন্সনবু দোল্লর মিল্লিয়ন ৪.৬৭ পীখিনবা খঙহনখি।

ঙরাং জোন্সন এন্দ জোন্সনগী ষ্টোক প্রাইশ চাদা ২ রোম হন্থখি।

# হূ চেনবা অরেমখাক তুরেনদা থাদরকপদগী মলেসিয়াদা অঙাং য়াওনা মীওই চা কয়া নাখ্রে, স্কুল ১০০ হেন্না থিংজিনখ্রে




**কুৱালা লুম্পুর, মার্চ ১৪ঃ** তুরেল অমদা হূ চেনবা অরেমখাক হুন্দোক্লম্বদগী অঙাং কয়ামরুম য়াওনা মীওই চা কয়া নারকখিবগী তুংদা মালেসিয়াদা স্কুল ১০০ হেন্না থিঙজিনখ্রে হায়না ঙসি ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

খা থংবা জোহোর ষ্টেটতা লোরি অমনা হৌখিবা চয়োলদা অরেমখাক অদু হুন্দোকলম্বনি হায়না থাজরি। হুন্দোক্লম্বা অরেম–খাকশিং অদুনা পাক–চাওবা মফম অমা থুংনা হকচাং শোক্লিঙাই ওইবা মনিলশিং অমসুং মৈখু শন্দোক্লকখি অমসুং নারবা মীওইশিং অদু ওবনাচীংবা হূ চেল্লবা পোৎ চাবগী সিন্টোমশিং উখি।

স্কুলগী মহৈরোইশিং কয়া য়াওনা মীওই ৫০০ হেন্না অদুগুম্বা মৈখু অমসুং মনিলশিং শোর হোনজিল্লুবদগী মেদিকেলগী লায়েঙ চত্থখি। মলেসিয়াগী ওফিসিয়েল ন্যুজ এজেন্সি ওইরিবা বেরনামাগী মতূং ইন্না মীওই ১৬০ হেন্না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

পাসির গুদাং কৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল টাউন অদুগী মনাক্তা থাদোরক্লিবা হূ চেনবা গ্যাস অদুগী মখল করিনো হায়বদু ময়েক শেঙনা খঙবা ঙমদ্রি।

ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এদুকেসন মিনিষ্টর মসজিলি মালিকনা মফম অদুদা স্কুল ৪৩ থিঙজিন্নবা অহানবদা ওর্দর তৌখি অদুবু কোন্না স্কুল মশীং অদু শরুক ২ হেন্না অমুক লাওথোরকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এদুকেসননা পাসির গুদাং এরিয়াদা স্কুল ১১১ অদু লোয়নমক থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না হায়খি।

পার্টি খুদিংমক্কা মাঙজৌননা চেকশিন–থৌরাং লৌখৎনবা এদুকেসন মিনিষ্টরনা হায়জখ্রে।

হূ চেনবা অরেমখাক হুন্দোকপগী মতাংদা মীওই ৩ ফাখ্রে। মীওই ৩ অদুগী মনূংদা মীওই ১দি থুনমক কোর্টতা মরান শীরবা য়াই অমসুং ইনভাইরোমেন্টল প্রোটেক্সন লোশিং থুগাইবগী মরান ফঙলবদি জেলদা চৈরাক ওইনা চহী ৫ ফাওবা লৈবগী অৱাবা ময়োক্লবা য়াই।

# য়ু এসতা বোম সাইক্লোননা উন অমসুং অকনবা নুংশিৎ পুরকখ্রে, ফ্লাইট ১৩৩৯ ককথৎখ্রে

**দেনভর, মার্চ ১৪ঃ** অথেঙবা নিংথম থাগী অকনবা নোংলৈ–নুংশিন অমনা য়ু এসতা শাথিবা চৈফু পীখ্রে। অকনবা নুংশিৎ শিৎপা অমসুং উন পাকত্তননা তাহল্লকখিবা বোম সাইক্লোন হায়না খঙনবা অদুনা য়ু এসকী রোকী মাউন্দেন অমসুং তম্পাক্কী ষ্টেটশিংদা ঙরাং শাথিবা চৈফু পীরদুনা মোটোরিষ্ট লিশিং কয়া লম্মাংনহনখ্রে, এয়ারলাইন ফ্লাইট ১৩৩৯ হেন্না ককথৎখ্রে অমসুং হৌজিক ফাওবদা কোলোরাদো ট্রুপর অমা শিখ্রে।

অকনবা নোংলৈ–নুংশিৎ অদুগী মরমদগী কোলোরাদো গভর্ণর জারেদ পোলিসনা ষ্টেট ওফ ইমরজেন্সি অমা লাওথোকখ্রে অমসুং সর্স এন্দ রেস্ক্যু ওপরেসনশিংদা টেঙবাংনবা ষ্টেট নেস্নেল গার্দতা খঙহনখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ অদু, পূং ২৪গী মনূংদা বোরোমেট্রিক প্রেসর মিলিবার ২৪ নেথরকখিবা মতমদা থোকপা নিংথম থাগী হ্যুরিকেন অমা ওইরিবা 'বোম সাইক্লোন' হায়বদুনি হায়না মেটিওরোলোজিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা ট্রাফিক এক্সিদেন্ট ১১০ থোকপগী পাউ ফঙলে হায়না দেনভর পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। কোলোরাদো ষ্টেট পেট্রোলগী ট্রুপর অমা শিখ্রে। দেনভর ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টকী রনৱে ৬মক অতেক–অকাই থোকখ্রে। নুমিৎয়ুংবা মতূংদগী ফ্লাইট ১৩৩৯ ককথৎখ্রে হায়না এয়ারপোর্টকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখি।

ক্লোলোরাদো স্প্রিংস ম্যুনিসিপাল এয়ারপোর্টনা মদু তন্না পাইরকপা ফ্লাইট পূন্নমক ককখ্রে। কাউন্টি ৭কী দেনভর মেট্রোপোলিটানদা লৈবা স্কুল দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক থিঙজিনখ্রে। সিটি অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ওফিস পূন্নমকসু, লোয়ননা ব্যুজিনেস কয়াসু থিঙজিনখ্রে।

খা থংবারোমদা ন্যু মেক্সিকো, টেক্সাস, ওক্লাহোমা অমসুং কনসাসগী শরুক খরা য়াওনা ষ্টেটশিংগী পাক চাওরবা লমদমদা পূংদা মাইল ৭০ (পূংদা কিলোমিটর ১১০) ফাওবা য়াঙনা অকনবা নুংশিৎ শিল্লকপা য়াই হায়না ফোরকাষ্টরশিংনা ফোঙদোক্লি।

# ব্রাজিল স্কুল শুটিংদা শুটর ২ য়াওনা ১০ শিখ্রে



**সাউ পাউলো, মার্চ ১৪ঃ** ব্রজিলগী সাউ পাউলো মনাক্তা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা স্কুল অমদা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক অমদা মীওই ১০ শিখ্রে হায়না ষ্টেট মিলিটরি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মশা মতোমতা কাপসিন্দুনা সুইসাইদ তৌখিবা মীহাৎপা ২ অদু য়াওনা থৌদোক মফমদা মীওই ৮শিখি হায়না ষ্টেট মিলিটরি পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি। অশোকপা মীওই ২ হোস্পিটালদা পুখৎলবা তূংদা শিখি।

খা নোংপোক ব্রাজিলগী শুজানোদা লৈবা রাও ব্রাসিল পব্লিক স্কুলদা নোংমৈ কাপসিনবা অদুদা মীওই ১৫ রোম শোকখি।

মশাগী চহী ২০ লোমগী মনূংদা লৈরম্বা য়াবা নহা ২না হুদ অমনা মকোক কুপশিলগা স্কুল অদুদা চংলকখি অদুগা নোংমৈ কাপশিলকখিবনি।

শিরবশিং অদুগী মনূংদা অঙাং ৪ অমসুং ষ্টাফ মেম্বর ২ য়াওখ্রে হায়না ষ্টেট গভর্ণরনা হায়খি। মীহাৎপা মীওই ২ অদু স্কুল অসিদা তম্লম্বা হান্নগী মহৈরোইশিংলা হায়বা শেঙনা খঙদ্রি। মহৈরোই খরগীদমক রিক্রিয়েসন মতমদা অয়ুক পূং ৯.৩০রোম তাবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। স্কুল অদুদা চংদ্রিঙৈগী মমাঙদা মীওই ২ অদুনা গ্যাস ষ্টেসন অমগী মপুদসু নোংমৈনা কাপলমখি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-67**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | 9 | | | 6 | | | 7 |
| | 6 | | 4 | | 9 | | 1 | |
| | 7 | | 8 | | | 6 | | 3 |
| 6 | | 8 | | | | 7 | 4 | |
| 7 | | 3 | 1 | | | | | 6 |
| | | 4 | | 8 | | 1 | | |
| 8 | | 7 | | | 3 | | | 4 |
| 5 | | 6 | | 4 | | | | |
| | | 1 | | 6 | | | 8 | |

**সনা–সুদোকু –৬৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 8 | 6 | 3 | 9 | 7 | 5 | 2 |
| 7 | 3 | 9 | 2 | 5 | 8 | 6 | 4 | 1 |
| 5 | 2 | 6 | 1 | 4 | 7 | 8 | 3 | 9 |
| 6 | 7 | 3 | 5 | 8 | 1 | 9 | 2 | 4 |
| 9 | 8 | 5 | 4 | 7 | 2 | 1 | 6 | 3 |
| 2 | 4 | 1 | 3 | 9 | 6 | 5 | 8 | 7 |
| 1 | 5 | 2 | 7 | 6 | 4 | 3 | 9 | 8 |
| 3 | 9 | 4 | 8 | 1 | 5 | 2 | 7 | 6 |
| 8 | 6 | 7 | 9 | 2 | 3 | 4 | 1 | 5 |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 10/01/19
Sl. No. : 2580
Valid : 07/01/19
Sl. No. : 2001
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : 07/03/19
Valid : 15/01/19
Sl. No. : 13
Stk : 306, 19kg -29
Time : From 08.00 a.m.

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 22/01/19
Valid : 16/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Mahalakshmi Indane Gas**
Booking : 30/01/19
Sl. No. : 242666
Valid : 24/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 15/02/19
Valid : 16/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 12/01/19
Valid : 10/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : 16/02/19
Sl. No. : 200
Valid : 05/02/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 25/01/19
Valid : 22/01/19
Stk : 576
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Heingang Indane**
Booking : 16/02/19
Valid : 02/02/19
Stk : 306
Time : From 07.30 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 21/01/19
Valid : 10/01/19
Sl. No. : 35440
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 13/02/19
Valid : 07/01/19
Sl. No. : 20301
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Swombung Indane**
Booking : 02/02/19
Valid : 22/01/19
Stk. : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**TDK Gas, Sekmai**
Booking : 12/01/19
Valid : 07/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.